# সিজফয়ার থুগায়রকপগী খূৎ হন্দুনা ইন্দিয়ান আর্মিনা পাকিস্তানগী পোষ্ট ৭ মাঙ–তাকহনখ্রে

***জম্মু, এপ্রিল ২ঃ***

রাজৌরি অমসুং পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাকিস্তানগা তাইনবা ঙমখৈশিংদা সিজফয়ার থুগাইদুনা পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা শেল কাপশিল্লকখিবা অদুগী মায়োক্তা ইন্দিয়ান আর্মিনা খূৎ হন্দুনা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী ৱাংমদা লৈবা পাকিষ্টানি পোষ্ট ৭ থুগাইদুনা মাঙ–তাকহনখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা খূৎ হন্দুনা কাপশিনখিবা অদুদা পাকিষ্টানি লান্মী কয়া শিরম্বা য়াই হায়না মখোয়না হায়খি।

মাঙজৌননা চেকশিন –থৌরাং লৌখৎপা ওইনা পাকিস্তাননা মোর্টার শেলশিং কাপশিল্লকখিবা অদুগী য়েঙলগা ওথোরিটিজিনা পুঞ্চ অমসুং রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টশিংদা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা স্কুল পূন্নমক থিংজিনখ্রে।

পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংগী মমাঙ থংবা মফমশিংদা পাকিস্তান লান্মীশিংনা কন্না শেল কাপশিলকখিবা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা বি এস এফ ইনস্পেক্টর অমগা চহী ৫ শুরবী নুপী মচা অমগা অতোপ্পা অমগা পুন্না ৩ শিখি অমসুং মীওই ২৪ শোকখি।



পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্ট অমসুং রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী নাওসেরা সেক্টরদা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক ফাওবা মোর্টার সেল কন্না কাপশিল্লকখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ঙসি পূঞ্চকী শাহপুর সব–সেক্টর অমসুং নাওসেরাদা পাকিস্তান লান্মীশিংনা মোর্টার অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা মদুগী খূৎ হন্দুনা কাপশিনবদা পাকিস্তান ওকুপাই কাস্মির (পি ও কে)গী রাৱালকোট অমসুং রখাচীক্রী ফোরৱার্দ এরিয়াশিংদা লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমদা লৈবা পাকিস্তানগী ফোরৱার্দ পোষ্ট ৭ থুগাইদুনা মাঙ–তাকহনখি হায়না ওফিসিয়েলশিং অদুনা হায়খি।

ইন্দিয়ান ফোর্সশিংনা খূৎ হল্লকখিবা অদুদা ঙসি পাকিস্তান লান্মী ৩ শিরে হায়না পাকিস্তানগী ইন্টর–সার্ভিসেস পাব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর)না হায়খি।

পাকিস্তাননা সিজ –ফয়ার থুগাইদুনা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা লৈবা মীচমশিং খুন্দাবা মফমশিংদা কাপশিল্লকখিবা অদুদা অচৌবা খূৎলাইশিং অমসুং ১২০ এম এম মোর্টার বোমশিং শিজিন্নরকখি।

পাকিস্তাননা শেল কাপশিলক্লিঙৈ মনূংদা মীয়ামবু য়ুম মনূংদগী হেন্দোক্তনবা পাউতাক পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

# রাজনাথনা পাকিস্তানদা হায়খ্রে –‘টেরোরিজম য়োকখৎপা তোকউ’


***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২ঃ***

পাকিস্তানগী লৈমাইদগী টেরোরিজম য়োকখৎপগী থবক তোক্লবা পাকিস্তানদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খ্রে অমসুং টেররগী থবক থৌওংশিংগী মায়োক্তা পাকিস্তানবু নমদুনা থবক লৌখৎহনগদবা অকনবা শাফু অদু ইন্দিয়ানা পীরক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। অদুবু মতম অসিমক্তদা পাকিস্তানাগী মখোয়গী লৈমাইদগী টেররগী থবকশিং মখোয় মতোমতনা থিংবা ঙমদ্রবদি ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদা মতেং পীনবা থৌরাং তৌরি হায়খি।

তেলঙ্গনাদা মীখলগা মরীলৈননা পাংথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা বি জে পিগী মকোক থোংবা লূচিংবা অসিনা হায়খি, হান্নদি ইন্দিয়াবু অশোনবা লৈবা অমা ওইনা খন্নখি। অদুবু ২০১৪দা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা লৈঙাক পায়রকখ্রবা মতূংদা ৱাখল অদু মালেম পূন্নমক্তা হৌজিক হোংখ্রে।

হৌজিক ইন্দিয়া মখা তানা অশোনবা লৈবাক অমা নৎত্রে অমসুং অকনবা লৈবাক অমা ওইরকখ্রে। নখোয়না উরি (সেপ্টেম্বর ২০১৬)দা উখ্রিবদুনি তুমলিঙৈদা ঐখোয়গী লান্মী ১৭ পাকিস্তানদগী টেরোরিষ্ট খরনা হাৎখি অমসুং মদুগী মতূংদা ঐখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱারেপ অমা লৌখি। ঐখোয়গী লান্মীশিংনা লাইন ওফ কন্ট্রোল লানশিল্লগা টেররগী এটেক তৌরকফমশিংদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অমা চথখি অমসুং টেরোরিষ্টশিং অদু হাৎখি হায়না রাজনাথ সিংহনা হায়খি।

সি আর পি এফ পার্সোন্নেল ৪২গী পুন্সি মাঙখিবা ফেব্রুৱারি গী পুলৱামা এটেক পল্লদুনা টেরোরিষ্টশিং অদু পাকিস্তানদা ট্রেনিং পীবনি। মদুগী মতূংদা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা পাকিস্তানগী মনূংদা পাইশিলগা এয়ার এটেকশিং চথখি অমসুং টেরোরিষ্ট ময়াম অমা মায়পাক্না হাৎখি।



লৈবাক্কী শেন–থুমগী নাকন্দা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়া খোঙজেন য়াঙনা চাওখৎলক্লিবা ইকোনোমি অদু ওইখ্রে অমসুং হৌজিক লৈবাক অসিবু মালেম পূন্নমক্না শক্তি লৈবা অমনি হায়বা য়ানখ্রে।

ইন্দিয়ানা মালেমগী শক্তি অমা ওইরক্লি। ২০২৮ ফাওবগী মনূংদা ঐখোয় মালেমদা খ্বাইদগী চাওখৎপা ইকোনোমী ৩গী মনূংদা য়াওরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপশিংদা ভোত পীনবা রাজনাথ সিংহনা তেলাঙ্গনাগী মীয়ামদা অপীল তৌখি।

এন দি এ গভর্ণমেন্টকা মমাঙগী কোংগ্রেসনা লূচীংবা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টকা চাংদম্নরদুনা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, মনমোহন সিংহ গভর্ণমেন্টনা চহী ৫দা য়ুম লাক্ষ ২৫খক শাখি অমসুং মোদিজিগী মখাদা চহী ৪ মখাইগী মনূংদা য়ুম ক্রোর ১.৩০ শাখি অমসুং মীয়ামদা খূৎশিন্নখি।

# রাফেল দিলগী মতাংদা ইবা লাইরিক ফোঙবা ইলেক্সন কমিসননা ষ্টে তৌখ্রে অমসুং কোপিশিং ফাগৎখ্রে


***চেনাই, এপ্রিল ২ঃ***

ইলেক্সন কমিসননা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রাফেল এয়ারক্রাফ লৈবগী দিলগী মতাংদা এস বিজায়ননা ইবা লাইরিক অমা ফোঙবা ষ্টে তৌখ্রে।

নত্তাই উলুখুম রাফেল ; বেরা উঝালা (রাফেল ঃ লোন্দরিং ওফ দ নেসন) কৌবা লাইরিক অদু ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিদা ফোঙগদবনি। ইলেক্সন কমিসননা লাইরিক ফোঙবদু অথিংবা থমখ্রে অমসুং চেন্নাইদা লৈবা পব্লিসিং হাউস ভারতি পুস্তকলায়মদগী লাইরিক অদুগী কোপি চা কয়া ফাগৎখ্রে।

রাফেল দিলগী মরমদা মরুওইবা ই–পাউ খরা য়াওরিবা লাইরিক অদু ফোঙবা হায়বসি ইলেক্সন কমিসনগী রুলশিং থুগাই হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

লাইরিক ফোঙবা অদু কবিক্কো কনভেন্সন সেন্টরদা পাংথোক্লবা হান্না থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু



ওর্গনাইজরশিং অদুনা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদু কেরেলা সমাজজমদা মফম হোংলগা পাংথোক্লবা লেপখিবনি। মদু পুলিসনা থৌরম অদু পাংথোক্লবগী অয়াবা পীরকখিদবা মরমদগীনি।

ইলেক্সন কমিসননা লাইরিক ফোঙবা থিংখিবগী খোঙথাং অদুবু সি পি এমনা খুদক্তা কন্দেম তৌরকখ্রে। লমাই ৪৮ পানবা লাইরিক অদু ফাগৎখিবা অমসুং মদু ফোঙবা থিংখিবা অদুবু পার্টি অদুনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা কন্দেম তৌখি।

ভারতি পস্তকলায়মগী এদিটর পি কে রাজননা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকপদা ইলেক্সন কমিসন ফ্লাইং স্কৱাদনা ঙসি অয়ুক মাগী বুক ষ্টোলদা চংলকখি অমসুং লাইরিক অদু পোলিটিকেলগী ওইবা মরমনা মহাক্না লাইরিক অদু ফোঙবা য়ারোই হায়না মঙোন্দা খংহনলমখি হায়রি।

লাইরিক অদু ফোঙনবগী ঐহাক্না মাংজৌননা অয়াবা অমা লৌখিদে হায়না মখোয়না হায়খি।

সিটি অসিদা লাইরিকশিং নুমিৎ খুদিংগী ফাওবা ফোঙলিবনি মরম অদুনা মখোয়গী খোঙথাং অসি অঙকপা পোকই হায়না মহাক্না ফোঙদোকই। অদুবু মখোয়না ঐখোয়দা অতন্ননা পান্দম থল্লক্লিবা অসি করিগীনো হায়বদু ঐ খংদে হায়না মহাক্না মখা তাকি।

এস বিজায়ননা ইবা লাইরিক অদুগী ওরিজিনেল অদু মহাক্না লাইথোকহনবতনি। হায়রিবা লাইরিক্কী ওরিজিনেল অদু পব্লিক দোমেনদা ফঙই। ইচম চম্বা অপাবশিংদা খংহন্নবগীদমক লাইথোকহনবনি হায়না রাজননা হায়খি।

লাইরিক অদু মীওই কয়াদা হৌজিক য়ৌখ্রে হায়না খল্লি মরম অদুদগী মখোয়না অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপা ওইগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

# মীখল মমাঙদা শেন ময়াম হাপশিল্লকপদগী জন ধন একাউন্ট ১৭০০ থিজিনবা হৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি এপ্রিল ২ঃ***

মীখলগী মতম অসিদা উত্তর প্রদেশকী মোরাদাবাদ দিষ্ট্রিক্টতা চীংননিঙাই ওইবা শেন কয়ামরুম হাপচিল্লকপগীদমক জন ধন বেঙ্ক একাউন্ট ১৭০০ লোম ইলেক্সন কমিসননা থাদোকপা সর্ভিলেন্স টিমশিংনা য়েঙশিনবা হৌখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি খক্তদা হায়রিবা বেঙ্ক একাউন্টশিং অসিদা লূপা লিশং ১০–১০, পূন্না লূপা ক্রোর ১.৭ হাপচিল্লকখি। মদু পোলিটিকেল মীরেপশিংদা ভোত্তরশিংদা পৈশা পীজবা ওইরম্বা য়াবনা ইনভেষ্টিগেটিব অমসুং ইন্টিলিজেন্স এজোন্সিশিংনা য়েঙশিনখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিদা পাংথোক্কদৌরিবা মীখলশিং অসিদা ভোত্তরশিংদা আইনগী ৱাংমদা শেন পীজনবা হোৎনবা অমসুং ব্লেক মনি থীংনবা থাদোকপা অতৈ এজেন্সিশিংগা লোয়ননা ৱাথোক অসিদা ইনকমটেক্স দিপার্টমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌখ্রে।

ইলেক্সন কমিসনা এজেন্সিশিং অদুদগী রিপোর্ট অমা পীরক্লবা খংহনখ্রে অমসুং হায়রিবা মরীলৈনবা উত্তর প্রদেশকী মোরাদাবাদ দিষ্ট্রিক্টকী বেঙ্ক অদুদগী রিপোর্ট অমা পীরক্লবা খংহনখ্রে।

ইলেক্সন কমিসননা মীখল মতমদা ভোতরশিংদা শেন পীবানচীংবা অমসুং আইননা য়াদবা শেন পুথোক–পুশিন তৌবা থিঙনবা লৈবাকসিগী কনষ্টিটুয়েন্সি পূন্নমক্তা এক্সপেন্দিচর মোনিটরিং ওবজাভরশিংগী টিম ময়াম অমা থাদোক্লি।

মীখলগী লানফম অসিদা মরাইবক য়েঙনরিবা কেন্দিদেটে পূন্নমক চপ মানবা খুদোঙচাবা লৈহন্নবগী থবক শিন্নরিবা টিমশিং অসি সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দোইরেক টেক্সেস (সি বি দি টি, কষ্টমস দিপার্টমেন্ট, ইন্টিলিজেন্স ব্যুরো, ফাইনান্সিয়েল ইন্টিলিজেন্স য়ুনিট অমসুং এনফোর্সমেন দাইরেক্টোরেট ইন্টিলিজেস অমসুং এনফোর্সমেন্ট সেটঅপশিংনা শৌগৎলি।

তাঙ্কক ৭ থোক্না পাংথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল এপ্রিল ১৪দা হৌগনি অমসুং মে ২৩দা ভোত মশীং থীগনি

# ময়াবতিনা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস অনীমক করপ ওইবনি হায়না মরান শীখ্রে

***ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ২ঃ***

বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)চীফ ময়াবতিনা ঙসি বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস অনীমক্তা অকনবা মওংদা চৈখ্রে অমসুং মখোয়বু দলিটশিং অমসুং মাইনোরিটিশিংবু মীনম্বা, অমরোমদা ইনাক–কৈরাক খুনবশিংবু কান্নহনবনি হায়না মরান শীখ্রে।

কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অনীমক করপ ওইবা ঙাক্তনি। বোফোর্স শেঙ্গা –থুমজাগী ৱাথোক্তা কংগ্রেস চেন্নখি। বি জে পিসু রাফেল ফাইটর জেট লৈবগী দিলদা চেন্নে হায়না ময়াবতিনা হায়খি। দলিট, বেকৱার্দ অমসুং মাইনোরিটিজ কাংলূপপু শোৎখরিবা অসিদগী মান্নবা খুন্নাইগী থাক্তা পুখৎনবা থবক অমত্তা কৈদৌঙেদা তৌখিদে হায়না পার্টি অনীমকপু মহাক্ন মরান শীখি।

ওরিষ্যাদা বি এস পি কন্দ্রবসু হন্দক্তি লোক সভা অমসুং এসেমব্লি মীখল অনীমক্তা পার্টি অসিনা কন্টেষ্ট তৌরি।

# বি জে পি লূচীংবা অমা ফাখ্রে

***বাল্লিয়া, এপ্রিল ২ঃ***

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং তহসিলদারদা উশিৎ–থওইদবা অমসুং মুক্নরুবগীদমক বি জে পি লূচীংবা অমা ফাখ্রে হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ভৱানি সিংহ অমসুং তহসিলদার গুলাব চান্দদা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা উশিৎ–থৌওইরুদবগীদমক মফমদুগী বি জে পি লূচীংবা বিনোদ তিৱারি ফারে হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দিবেন্দ্র নাথনা হায়খি। অদুবু বি জে পি লূচীংবা অদুনদি শীরিবা মরানশিং অদু য়াখিদে।

# মী মিল্লিয়ন ১১৩ হেন্না শাথিনা পূক্লাম্বা মায়োক্নরি ঃ য়ু এন

***পেরিস, এপ্রিল ২ঃ***

লানশিং অমসুং নোং–চীংগী মাঙ–তাকহনবা থৌদোকশিংগী মরমদগী হৌখিবা চহীদা লৈবাক ৫৩দা মী মিল্লিয়ন ১১৩ হেনবনা শাথিবা পূক্লাম্বগী খুদোঙথিবা ময়োক্নরি, মসিদা অফ্রিকানা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা লমদমনি হায়না ঙসি য়ু এননা হায়খ্রে।



মালেম পূম্বগী ওইনা চাক তাঙবগী খুদোঙথিনিংঙাই ওইরবা অপূনবা মীশিংগী ৩ থোকপগী শরুক ২ রোম লৈবা লৈবাক ৮গী মনূংদা য়েমেন, দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো, অফগানিষ্টান অমসুং সিরিয়া য়াওরি হায়না ফুড এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও)না মখোয়গী চিঙ্গাক্কী মতাংদা ২০১৯ গ্লোবেল রিপোর্টনা হায়রি।

চহী ৩গী মমাঙদগী হৌখিবা চহীগী ওইবা ষ্টদি অসিনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোঙথিবা ময়োক্নরবা লৈবাকশিংদগী রিপোর্ট খোল্লি।

অফ্রিকাদা লৈবা ষ্টেটশিংদা মীওই মিল্লিয়ন ৭২ রোমনা শাথিবা পূক্লাম্বগী ৱাবা খাংলি হায়না এফ এ ওগী ইমর্জেন্সিজ দাইরেক্টর দোমিনিক বরজিওনা ঙসি এজেন্সিদা হায়খি।

ফিভম অসিগী মরুওইবা মরমশিংদি শেন–থুমগী শোথবা অমসুং ঈকং অমসুং ঈচাওগুম্বা নোং–চীংগা মরীলৈনবা খুদোঙথিবশিংগা মরীলৈনবা লোয়ননা লান অমসুং মসিগা মরীলৈনবা থৌদোকশিংনি হায়না রিপোর্ট অসিনা ফংখি।

চাক তাঙবগী ঙকয়া য়ৌশিল্লক্লবা লৈবাকশিংদা অপূনবা মীশীংগী চাদা ৮০না এগ্রিকলচরদা তাংজরি। মখোয়না চাননবা চীঙ্গাক্কীদমক ইমরজেন্সি হ্যুমেনিটরিয়ান এইদ অমসুং এগ্রিকলচর ফগৎহন্নবা তেঙবাংশিং মথৌ তাই।

লাননা চাহৎলবা সিরিয়া অমসুং ম্যান্মারদগী রোহিঙ্গা মুস্লিম মিল্লিয়ন অমরোম লৈশল্লরিবা বাংলাদেসকুম্বা লৈবাকশিং য়াওনা মশীং য়াল্লবা রিফ্যুজিশিংগী লৈফম ওইরিবা লৈবাকশিংদা পীরিবা অরুম্বা পোৎলূম অদুসু রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোক্লি।

চহী অসিদা ফুড ইমরজেন্সি অমা লাওথোক্লবা য়ারিবা ভেনেজুয়েলাদা করিগুম্বা পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমিক্কী ৱাথোক মখা তানা লৈরবদি ময়ুম থাদোক্তুনা চেল্লকপগী মশীং হেনগৎলকখিগনি হায়না এফ এ ও না হায়রি।


মালেমগী ওইনা য়েংবদা শাথিনা পূকলাম্বা ময়োক্লবা মী মিল্লিয়ন ১২৪ ওইখিবা ২০১৭কা চাংদম্নবদা ২০১৮দদি ফিভম অসি খরা ফগৎলক্লে হায়না ষ্টদি অদুনা ফোঙদোকক্লি। খুদোংথিবা খরা হন্দরক্লিবা অসিগী মরম খরদি মমাঙগী চহীশিংদা মহৌশাগী খুদোঙথিবা থৌদোকশিং থোকখিবা লেটিন অমেরিকা অমসুং এসিয়া পেসিফিক রিজনদা অদুগুম্বা থৌদোক অদু হন্থখিবদগীসুনি হায়রি।

# মশানা শাবা ফ্লাইং মেচিন পাইনবা হোৎনবগীদমক পাকিষ্টানগী নুপামচা প্রোটেক্টিফ কষ্টদিদা থমখ্রে

***লাহোর এপ্রিল ২ঃ***

পঞ্জাব প্রোভিন্সতা মহাক মশানা শাবা ফ্লাইং মেচিন অমা পাইদুনা ওপরেট তৌনবা হোৎনখিবা পাকিষ্টাননি মহৈরোই নুপামচা অমা পুলিসনা প্রোটেক্টিব কষ্টদিদা থমলে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নুপামচা অদুগী মমিং ফয়াজ কৌই মেট্রিকুলেসন মহৈরোই অমনি। মহাক্না শাবা দিভাইজ অদু পঞ্জাব প্রোভিন্সকী অরিফৱালাগী মোহম্মদ



নগরগী খূঙ্গংগী লৌবুকশিংদা পাইনবা হোৎনরম্বদগী পুলিসনা মহাকপু ফাখিবনি।

মহাক্না মানা শাজবা ফ্লাইং মেচিননি হায়বা অমা ওপরেট তৌনবা হোৎনরম্বা নহা অদু রঙ্গশাহ পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিৎতা প্রোটেক্টিব কষ্টদিদা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না পাউ–চে দোনগী পাউনা হায়রি।

মাগী থবক অদুগী মতাংদা ফয়াজনা ফোঙদোকপদা মহাক্না মাগী লম ০.৫ একর য়োনখি অমসুং মদুগী শেনফম অদু ফ্লাইং মেচিন অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা থাদখি হায়খি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ফয়াজনা মানা শাবা মেচিন অদু পাইদুনা চাংয়েং তৌনবা হোৎনরকখিবা অদুদা খূঙ্গংশিংদগী মীওই চা কয়ানা মফম অদুদা পূনখি। অদুম ওইনমক মীয়াম অদুগী মরক্তগী কনাগুম্বা অমনা রঙ্গশাহ পুলিসতা পাউ পীখি অমসুং পুলিস লাক্তুনা লৌবুকশিং অদু কোয়শিনখি, লেয়ননা ফয়াজবু মেচিন অদু ওপরেট তৌবা থিংখি।

মেচিন অদু য়েংহন্নবা অমসুং মদুনা করন্না থবক তৌবগে হায়বদু খংনবা পুলিসনা এক্সপার্টশিংদা খংহনখ্রে হায়রি

# প্রসিদেন্ট সিরিসেনাগী মাঙদা শ্রীলঙ্কানা কোকেন কেজি ৮০০ মাঙহনখ্রে



***কলম্বো, এপ্রিল ২ঃ***

দ্রগ ট্রফিকরশিং শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়রিবা প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপলা সিরিসেনাগী মাংদা ঙরাং শ্রীলঙ্কা পুলিসনা কোকেন কিলোগ্রাম ৮০০ (পাউন্দ ১২৮০)রোম মাঙহনখ্রে। দ্রগশিং অদু জুন ২০১৬দগী জুন ২০১৮ ফাওবগী মরক্তা রেইদ ৪দা ফাগৎলকখিবনি।

জুদিসিয়েল সুপরভিনগী মখাদা মাঙহনগদবা দ্রগশিং লৈরি অদুবু মরীলৈবা কেসশিং লোয়শিনন্দ্রি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা মাগী দ্রগ ৱার কনখৎহন্নবা ৱাশকখি অমসুং পোর্টশিং অমসুং এয়ারপোর্টশিংদা নারকোটিকশিং দিটেক তৌনবা হায়টেক ইক্যুপমেন্ট মীরৈবাক্তগী লৈনবসু ৱাশকখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা মাগী ওফিসনা হায়খি।

সিরিসেনানা অমুক হন্না দ্রগ ওফেন্দরশিং ওইবশিংগীদমক শিবগী চৈরাক পীবগী মহাক্কী অপাম্বা ফোঙদোকখি। জনুৱারিদা ফেলিপ্পিন্সতা চৎলুবগী মতূংদা সিরিসেনানা ইলিগেল দ্রগশিংগী ময়োক্তা প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুরটেরটেগী অকনবা টেক্টিক্স অদু চথবা মহাক্না পাম্মি হায়খি।

ফেব্রুৱারি থাদা ঈথৎ লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী চাওবা ওইনা দোল্লর মিল্লিয়ন ১৭কী হেরোইন কেজি ৩০০ লোম পুলিসনা ফাখি। য়াল্লবা হেরোইন অদু কলম্বো সোপ্পিং মোল অমদা পুশিলকপদা ফাখিবনি।

২০১৩দা পাকিস্তানদগী পুরকপা ট্রেক্টরশিংগী মনূংদা লোৎশিল্লগা লৈবাক অসিগী মনূংদা পুশিলকখিবা হেরোইন কেজি ২৬০ ফাখি। অরুম্বগী চাংদা শ্রীলঙ্কগী খ্বাইদগী য়াম্না দ্রগ ফাখিবসি দিসেম্বর ২০১৬দনি, মদুদা পুলিসনা কোকেন কিলোগ্রাম ৮০০ ফাখি। মদুগী থা ৬কী মমাঙদা ওথোরিটিজনা সিপ্পিং কন্টেনর অমগী মনূংদা কোকেন কিলো ৩০১ পুরম্বা থেঙনখি।

# চিনানা অরানবা ৱার্ল্ড মেপ লাক্ষ ৩ মাঙহনগদৌরি

***বৈজিং, এপ্রিল ২ঃ***

চিনাদা কষ্টমস ওফিসিয়েলশিংনা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং তাইৱানবু চিনাগী শরুক ওইনা উৎত্তবা লাক্ষ ৩ হেনবগী ৱার্ল্ড মেপশিং মাঙহন্নবা ওর্দর তৌখ্রে অমসুং মেপশিং অদুবু নেদরলেন্দসতা এক্সপোর্ট তৌনবা হোৎনবা মীওই ৪গী মথক্তা কেস লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না মেদিয়ার রিপোর্ট অমনা হায়রি।

নেদরলেন্দসতা এক্সপোর্ট তৌনবা ইংলিসকী অরানবা ৱার্ল্ড মেপ ২৬৪৯৮৩ জনুৱারি ১৭তা গুৱাংদোং প্রোভিন্সকী ৱেনজিনদু হিথাংফমদা কষ্টমস ব্যুরোনা রিকোভর তৌখিবনি।

# আই এস আই এসগা মরী লৈনবগীদমক পাক পুলিসমেন ২ ফারে

***লাহোর, এপ্রিল ২ঃ***

পঞ্জাব প্রোভিন্সতা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরীলৈনৈ হায়বগীদমক পাকিষ্টানি পুলিস হেদ কনষ্টেবল অমা অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা মাগী মসেননুপা ফারে হায়না পুলিসনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

হেন্দ গ্রেনেদশিং, সুইসাইদ ভেষ্টশিং অমসুং অতৈ এক্সপ্লোসিবশিংসু মীওই ২ অদুদগী ফংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

পঞ্জাব পুলিস হেদ কনষ্টেবল অমজাদ ফিরদৌস খান অমসুং মাগী মসেননুপা শাহীদ খাননা আইননা অথিংবা থমখ্রবা লূপ অদুগীদমক য়ামদ্রবদা মতম খরা থবক তৌরকখ্রে। অমজাদকী মনাওনুপা শাহজাদ খান আই এস আই এসকী মেম্বর অমনি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা গুজারপুরদা লৈবা মখোয়গী য়ুমদা পুলিসনা রেইদ চথবদা চেনখিবনি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-85**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | 1 | | | 9 | 5 | | |
| | 3 | | | 8 | | | 9 | 6 |
| 2 | 4 | | | 5 | | 8 | | |
| | 9 | | 4 | 6 | | | | 2 |
| | 6 | 8 | 5 | | | | | 9 |
| | 5 | | | | 1 | | 8 | |
| | | 5 | 9 | | | | 6 | |
| 8 | | | | 2 | | 9 | | |
| 9 | | | | | 6 | | | 5 |

**সনা–সুদোকু –৮৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 9 | 4 | 8 | 6 | 3 | 2 | 7 | 5 |
| 3 | 2 | 5 | 4 | 9 | 7 | 6 | 1 | 8 |
| 7 | 8 | 6 | 5 | 2 | 1 | 9 | 4 | 3 |
| 6 | 1 | 3 | 7 | 8 | 9 | 4 | 5 | 2 |
| 2 | 5 | 9 | 1 | 3 | 4 | 8 | 6 | 7 |
| 8 | 4 | 7 | 6 | 5 | 2 | 3 | 9 | 1 |
| 4 | 7 | 8 | 2 | 1 | 6 | 5 | 3 | 9 |
| 5 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 | 7 | 2 | 6 |
| 9 | 6 | 2 | 3 | 7 | 5 | 1 | 8 | 4 |

# GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 04/02/19
Sl. No. : 36534
Valid : 23/01/19
Stk : 288
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 06/02/19
Sl. No. : 1070
Valid : 01/02/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 11/03/19
Valid : 08/02/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 21/02/19
Sl. No. : 600
Valid : 16/02/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 21/02/19
Sl. No. : 245223
Valid : 12/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : 18/03/19
Valid : 06/03/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking :19/02/19
Valid : 09/02/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**R B D Indane**
Booking :06/02/19
Valid : 22/01/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.